

*“নোংপোক অমসুং নোংচুপ খেন্নরিবসি খোঙজেলদনি।
নোংপোক্কা তপ্পা চেনবা, নোংচুপ্পা য়াঙনা চেনবা”*
*- এলাংবম নিলকান্ত*
*(অমেরিকাগা উনবা)*

## নান্থোকপা ঙমদবা থোঙনাওদগী উবা মীৎলুশিং

**— থৱান**

I

নীংশিংবদা তুকৎচবা হৈনদবা
অপাবা চেনাশিংদা য়াওবা অশিবগী মনম
চে মতুম তাশিল্লগা ফুমজিনবা
অমুক তৌখায়বা খোৎতোকপা

II

য়ুমগী মমিদা অশিবা হকচাংশিংনা ননশিনবা
শীংনবা অশাওবা পেন্দবা কোয়পু পুরগা চৎপা
ককঙাওনরবা মীকুপশিংদা থেংনরি
শোন্থরবা লৈচেন্নরিবা থৱায়শিং

III

পুন্সিগী অপাবা চেনাশিংদা
ঐখোয়গা লোয়নরি
নান্থোকপা ঙমদবা থোঙনাওদগী উবা মীৎলুশিং।

## মালেম পৃথিবী

**—শ্রী কাংজম নন্দকুমার**

ওলাংথাগী মৈশা লাঙলুরবা
হৈরাং লৈরাং পুন্বা
কুমগী নোংলীক্কা য়ৈরবদা
তনৌ-তনৌবা মায়থোং
মকা লাম্না নোকচরি।
মালংবনা হুন্নকপদা
হৈরাং লৈরাংশিংনা
মোমোন নোকপা
মীনোক্কা লোয়ননা,
পোন্বী চেক্লা কয়ানা
ওন্না থোয়না শান্নরি।
মালেম অসিবু শেন্বী শাবীরিবা
মপু মাবু অঙন্বা থাক্তা চিংখৎলি,
অনেম অৱাং য়েংনরি
মপু মাগী খূৎশেন্থু।
পামেল ফৈরা থক্তা তোংলদুনা
মপু মাগী কোলোয়বু
নীংথিরবা সুরদা শৈশক্লি,
ইখৌ লাংবা কোকচরি।
কোরৌহনবা মাগী মশেক মঙাল
লোইখিদুনা অমন্বা লাইরেন্বীনা
মহুৎ শিন্দুনা মালেম অসিবু কুপশিনখি।

## ঙরাং অহিং

**—চোংথাম রোনিকুমার**

শকখঙদবা মীতোপ অমা
খূৎতা থাঙশাং পায়দুনা
চিদায়দা শাওনা লেপ্পলম্মী
অমুবা ফিজোল শেৎতুনা
মমায় মমীৎ খুন্মী
খঞ্জখি ঙাওরবা নিপানি
ফৎত্রবা ৱাখলনা পুরবা
ফত্তবা কয়াসু তৌরিবা
হৌজিক্তি ওইহল্লে মহাক্লা
অকিবা ফাওরকখি থম্মোয়দা
নীক নীক
চেনবসু ঙমদরে
কিবনা মানা তান্নরক্কদ্রা
মা চৎখি, ঐ উবদা
হে নিপা, নঙবু কৈদৌরগে?
কিদেনে ঐসে, নঙ উবদা
কিবনি নঙগী নওংনা
কিরোই, নঙনা ফারবদা
লৌথোক্লো অমুবা মায়খুমদো
মপু মানসু য়াগনি
য়াইফবসু ওইগনি,
খুন্নকই মানা,
ঐসে অফবা ওইরম্মী
ওইহনবনি ঙসিদি ঐহাক
মীহাৎ অদুনা,
ঐগী নুপীদা
অচুম্বা লৈত্রবা,
লৈবাকসিদা
লাল্লে, লাল্লে
নঙনা তৌরিবদো
পাউখুম লৈতবা ৱাহং লৈতে
অচুম্বগীসু পাউখুম লৈবনি
থাজে, নঙ ঙমগনি
অফবা মায়খুম উপলবসু
ইশ্বরনসু চান্নবা
মহৈসু য়ান্ননবা,
চান্ননা হোৎনজমনগা
লৈহৌরো, ঐ চৎলে
লম্লানবা, ঐ চৎলে।

## পাউচে পাউ

**—ডা: এল শশীকুমার য়ুরেম্বম**

পাউচে পাউ তরাইদে
মীৎ শিংহল্লি-ইকায়বা খঙহনদে
পাউচে পাউ সরকার থুগায়
পাউচে পাউ সরকার শেমজিল্লি
অফবসু ফত্তবসু খঙনহল্লি

পাউচে পাদ্রবদি পঙহল্লি,
পাউচে পাউনা সরকার থুগায়
পাউচে পাউনা নুপী কায়নৈ
পাউচে পাউনা য়ুম থুগায়
পাউচে পাউসিবু ফরিবরা?

পাউচে পাউনা লৈবাক শেন্মী
পাউচে পাউনা লৈবাক থুগায়
পাউচে পাউনা অরানবা তাহল্লি
পাউচে পাউনা অচুম্বা ওন্থোকই
পাউচে পাউসিবু ফরিবরা?

অমুবা লৈবদগী অঙৌবা থোকপনি
অঙৌবা লৈবদগী অমুবা শেন্নকপনি
অফবসু ফত্তবসু পাউচে মথৌনি
চাসি মরু হুন্দোকসি মতোং
পাউচে পাউসিবু ফরিবরা?

## লোইনাইদ্রবা খোঙচৎ

**— য়েঙ্খোম তোম্বী দেবী**

রথ যাত্রা লোইখ্রে কৃষ্ণ জন্ম হৌখ্রে;
লাংবন তর্পন চৎখ্রে মেরা পুজা লাক্লেদো;
হরিগী কোলোই শকনৈদো গোবিন্দগী নামবু শোন্নরি;
তাইবং পূক্লিং ঈংনরি পূক্লিং শান্তি ফংনরি।

হিয়াঙ্গৈ থানা লাকপদি নিঙোল পূক্লিং হরাওজে;
নিনি পানবা থাবান্দা মপাম লমদম উগনি;
পলেম পন্থৌগী চাইগোন্নুং মবুং-মৌপ্পাগী মকাদা;
মঙ্গল অশির্ব্বাদ পীগনি নুংশি ভিখ্যা নীগনি।

পোইনু থানা লাকপদি মোমোন মীনোক তম্মীদো,
মায়থোং মকা লামনৈদো পান্থোইবী ইমাবু ইরাৎনৈ;
ৱাকচিং থানা লাকপদি অৱাৎ অপা লৈতবী;
ইমোইনু ইমাবু থৌনিজে।

লমদা থানা লাকপদি লৈশা-পাখং হরাওজে;
য়াওশঙ কুম্মৈ মখল-মথেন অঙাংশিংনা শেন খাইবা;
ঋতু তরুক্কা থৌগল্লিবা ইমা লৈবাক মণিপুর
পোকচদুনা শিজনিংই লমদমসিদা।

## শকউদবা

**—তোংব্রম শামুঙৌ**

চৎলি ঐ লম্বীসিদা
মায়কৈদি খঙদে ঐ
ৱাখলনা পুবা লম্বীদা
পল্লেপফম খঙদ্রবা
পন্থুংফম্না কদায়দা
খোঙচৎনি ঐগী ঙসি।
হীংলিবনি খল্লুবা
চৎনা চৎনা ঐ
ওইরল্লে পাঙ্খক অশিবগা।
খাদা-ৱাংদা, ’নিংদা-মাঙদা
ফংদ্রে উবা মঙাল অমত্তসু
তরং তরং পাঙলিবা
ইমীৎ অসিনা ঐগী।
কনানো নঙবু কনানো
মাঙদা চৎলিবা নঙবু
নশক্তি উবা ফংদা
খোঙথাংগী মখোলতা তারিবা,
ঙাইবীখো ’মুক্তদি মীৎকুপ ’মতা
তাক্লমখো মায়কৈ অমত্তদি
ঐনা চৎকদবা লম্বীগী মায়কৈ,
থাংলিবা খোঙথাংদা ঐগী
খঙলমগনি শোয়দনা নঙদি।
হে! শকউদবা
ঐনা ঙসি চৎলিবা
নহাক্কী নতুং ইন্না
অরোইবা খোঙচৎ অমগী
পন্থুং অমখক্লি তাল্লিবা
ঐগী খোঙচৎকী লমথুংফম
ঐগী পুন্সিগী পোথাফম।

## নীংতম্ববু কদায়দনো

**—আর কে মঙ্গিস্না**

হন্না হন্না চান্মরক হংলি ইদোমতা
থিরি নিংতম্বগী নুংঙাইবা
থুংলু থুংলুবা মফম মফম খুদিং
ইমান মান্নৈ পূম্নমক মান্নৈ খেন্নবা লৈতে
কদায়দনো হরাও মীনোক তমদ্রবা পুন্সিনা।
লাপ্পা চৎখ্রে ইনাক্তগী নুংঙাইবা পুন্সি মহিংদো
চিক্লবা থম্মোয়গী কাচিন্দগী থোরকই নুংহিক্লরবা
নিংবা কায়রবা পেন্দ্রবা খোঞ্জেল
নোংদম্বনা নাথৈবীখ্রবা তোল্লবা মপোক
আশানা খোঙ্গাওনবীরবা থৱায়
পিক্লা খোঞ্জেল পিক্লা তারি পূক্লিংগী নাপ্পদা
থৌনা ফুদোকউ নঙ তারকপা মীৎকুপতা।
শিন্থরি মনিং তম্না মীৎলু ইরানা
অদুবু হংবা নত্তনা করিনো ঐগী পান্বে।

## ওইদ্রবদো ওইথোক্কনি

**—মনিচৌবা শর্ম্মা**

মৈশানা চাকথেক্কে খল্লম্বনি তূম্না
উৎকী গ্রহ ওইহনগে খল্লম্বনি
চিংনদনা মৈশাসে মৈবুলগুম
অদুবুনে মহাপুরুষ নখোয়না
লেপ্তুনা উপাল থাবদগী
ঙমদ্রেনে মৈশাসে চাকথেকপা
ঐগী ইতিক খঙহনবা
উ-ৱা য়োকপতনা।।
চৎলু মরুভূমীগী লমদুদা
লাইজ ৱানা ফংবনি
উপাল-ৱাপাল উরল্লোই
মৈশানা জীবা ৱারমগনি
ঐগী ইতিক খঙলমগনি
বসন্ত ঋতু লৈরল্লোই
চঙশিল্লু মরুভূমী লমদুদা
হে শান্তিগী লম্বী থিরিবা।
খুৎশেম্না লাইজ ফংহনসি
ইখূৎনা উপাল থারুসি
মরুভূমীগী লমদুদা
খিক্লক্কনি লাইজসু তৎতনা
নুংশিনা খোংলক্কনি চেক্লানা
খোন্থাং শুনা পামেলদা
ফংলক্কনি কবিসু ৱাৎতনা
বসন্ত শৈথারোল শক্লক্কনি
কংলবা মরুভূমীগী লমদমদা।।
হে মীওইবা নহাক্তনা
উপাল ৱাপাল থাদ্রবদা
করম্বা জীবনা হৌহনগনি
কংনা শারবা মরুভূমীদা
হোৎনৌ লেপ্তুনা চংখোন্না
ঙল্লবদি মরুভূমীদা উপালনা
মকা ফন্না হৌহনবা
মতমদো ঙাইরি মঙাননা
শান্তিগী মীংচৎ পীনবা।

# ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী

## (ফিক্সন ইবদা খূৎলোয়রবী অইবী অমগী ৱারীমচা খরা)

**ৱারীমচাদি** মপূং ফাবা য়াদে। লোইনা লীথোকপা য়াদে। মপূং ফাদবগী ফজবদুনি ৱারীমচাগী মঙল। “The short story is never complete” হায়না হায়নরিবনি। অপাবশিংনা খনখ্রিবা ৱাখল অদুসু ৱারীমচাদুগী শরুকনি। অদুনা মলয়ালম অইবী Ashita না শেংনা হায়, “When I write a story, I say only one half of it. The other half takes place in the readers' minds.” কয়াদা চুম্না হায়খ্রবনো। অমুকসু ৱারীমচাদি অহৌবা অমসুং অরোইবা পরেং অনীসি য়াম্না চেকশিনগদবনি। মরমদি অহৌবা ৱাহৈ অদুনা লোইবা ফাওবা পানিংহনবগী মিহুল হুনগদবনি। অদুগা অরোইবা ৱাহৈ অদুনা অপাবশিংগী কোক্তা য়ৈবা ঙমগদবনি। মরক্কী ৱারী অদুনা ফজবা খূৎই (প্লোট) অমনা পুগদবনি। প্লোট পীববু কোজেটিব ইফেক্ট হায়নসু খঙনৈ। হায়বদি ৱাহৈ পরেং খুদিং মরম চাহনগদবনি। পঙই ইবা য়াদে। পূম্নমক অসি খঙদুনসু ৱারীমচা অমা হেক্তা ইবা য়ারোই। মরমদি পকচবা (ষ্টাইল) হায়বা অমা লৈরি। মসিদি পীথোক্লকপনি। মী অমগা মী অমগা চপ মান্নবা ৱারী অমা ইনহনবদা কৈদৌনুংদা মান্নবা ঙল্লোই। মদু মাগী মাগী ষ্টাইল অদুননি। অদুনবু হায়নরিবনি “Style is the man”.




ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমদি ঙসি লৈবাক্লা খৌরাংনা ঙাইনরিবী, ফিক্সন ইবদা মায় পাক্লবী, কদায়দা চৎখ্রবনো খন্নরুরবী অইবী অদুগী ৱারীমচা খরা অমুক পাবা ফংবসিদা হরাউজবদুনি। মহাক নোবেল ইদুনা শাফোঙলকখিবনি, রেদিও দ্রামা ইবদসু মমিং চৎখ্রবীনি, অদুগা ঙসিনা ৱারীমচাগী লাইরিক পায়দুনা থোক্লক্লে। মহাক ফিক্সনগী মচল পূন্বদা খূৎ থাবী ওইরে। অদুসু মায় পাক্লা। মাবু তরাম্না ওকফম থোকই। মহাক কনাসু নত্তে, ইবদা মশাগী মশক অমা ঙাক্লিবী মুতুম দেবলানি। মাগী নোবেল অহুম লৈবাক্লা হরাওনা পাখ্রে। পোলোই অদুদদি (২০০০), লম্বী অমদা (২০০২) অমসুং পৃথিবীগী খোঙচৎসু লেপ্তুরি (২০০৬) নোবেল অহুম্মক মায় পাকখি। নুপীগী লমচৎ য়েকপদা তোপ তোপ্পা মশক উৎপা ঙমখি। ফিভমনা, করিনা মাগী নুপী অমতা চেন্থদুনা পুবা ঙমখিদে। মাগী রেদিও দ্রামা ১০ গী মনুংদা ‘প্রলয়গী মৈরী’ (২০০০) লৈবাক্লা হঞ্জিন-হঞ্জিন তানিংখি। তাসু তাখি। ঙসিনা অমুক ৱারীমচা ১০ গী মশক অমা মীয়ামদা খুদোল তৌরক্লে। ৱারীমচা খুদিং দেবলাগী কোক্তা থা ১০ নাউপুরুরগা পোক্লকপা ঙাকনি। অদুনা মানা য়েক্লিবা নুপীশিং অসিগী লমচৎ, ফিরেপ হেক্তা তোঙাল্লি। মসিনা তাকই, দেবলা পঙই ইবা নত্তে। শীংথাবা য়ারবী নহা অইবী অমনি হায়বদা লাল্লরোই। ৱারীমচা ইবদদি ঐখোয়গী মাঙজিল থাখ্রবী অইবী খরা লৈখ্রে, নী দেবী মীরাইবা য়ারোই, আনন্দি লৈরি, সুনিতা লৈরি, ক্ষেত্রি সুবদনি লৈরি। অদুবু দেবলানা হেক থোক্লকপগা ৱা অমদি হায়রি। মাগী ৱাসি করিনো থিবদনি মাগী ৱারীমচা পাবা লোইখিবা খঙদ্রিবা। মাগী লাইরিকসিগী ৱাহৌদোক্তা ঐখোয়গী শক্লাইরবা কবি, ৱারীমচা ইবা য়ূম্লেম্বম ইবোমচানা ওন্থোক্লা ফজখ্রবা মত খরা ফোঙদোক্লি, মসিদা পারসু দেবলাগী খূৎই, থিম, ফিদম খঙবা য়ারে।

অদুবু ৱাফম অমতংদি হায়হৌনিংঙি। ডিঐচ লোরেন্সনা হায়রম্বদুনি। মানা হায়, “An artist sheds his sickness in his books, repeats and presents them to master them.” ঐ মানা হায়রিবসি ওন্থোক্লা য়ানিংই। অইবা মশানা খঙজদনা নৎত্রগা খঙনা মাগী ৱা, পুন্সি, ফিদম মাগী খূৎইদা হেক্তা য়াওশিনখি। অদুনা দেবলাগী থম্মোয়সু, থৱায়সু মাগী য়েক্লিবা লমচৎশিং অসিগী মমি তারল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুনদি দেবলা হৌজিক করি খল্লি, মাগী ৱাখল কদায় য়ৌখ্রে থিগে হায়রবদি মাগী ৱারীশিং চেকশিন্না পাবা তাই। মাগীদি থিম নত্তে য়েংদৌবা, খূৎই, খূৎলান্থোক অদুনি ফজরিবা। থিমদি লৈবাক্কীনি, খূৎলান্থোক অসিদি দেবলাবু তরাইনা লৌবা য়ারোইদৌরি। নৈশিন্দুনা চেনবা ঈরৈগী মশক্লি। অমুক তাউখৎ, অমুক লূপথ, উবা য়াম্না ৱায়।

অদুবু মাগী ৱারীমচা ১০ সিগী মনুংদা ঐখোয়না কুপ্না পাগদবদি অহানবগী ‘হিংবগী তাঙ্কক অমা ৱাহন্থোক অমা’ হায়বা অসিনি। মসিদা দেবলানা য়েংলিবা মীৎয়েং ফনা নীংথিনা উৎলে। মাদি পুন্সিবু, নুপীবু, মালেম্বু লুনা লৌজবা অইবীনি। নুপানা হনবা ৱাহন্থোক্কা নুপীনা হনবগা মান্নদে হায়বদু তশেংনা উৎলে। নুংশিবনা ফনা হায়রসু, লৈবাক্লা চুম্মী ফনা লেপখ্রসু মাদি মাগী ফিদমদুগী মরুমদা মতোমতা ওইরসু লৈহৌনি হায়বদু উৎলি। কয়াদা ৱাংখ্রবা ফিদমনো ? মানা মতোমতা হংজে, মাগী ফিদম অসিবু মালেম অসিদা ফংলরোইদ্রা ? অদুবু মৈচাক্তি মাসু পুবা তাবনি। দেবলা মৈচাক পুরি।

মথঙদা ফজখ্রবা ৱারীমচা অমসু য়াওরি। ৱারীমচাদা শীজিন্নবা লিটরেরী টুলস ময়াম লৈ। মদুগী মনুংদা ‘মঙ’ হায়বসি শীজিন্নবা খ্বাইদগী লুই হায়রি। মরমদি মঙনি হান্না খঙহনবা য়াদে। হেক খঙহল্লুবদা ৱারীমচাদু পাররোই। অদুক লুখ্রবা মঙ থীওরি দেবলানা ওন্থোক্লা ফজনা শীজিন্নখ্রে। মাগী ‘অচুম্বা মচু’ হায়বসি পারুবদা দেবলাগী হৈ-শিংবদু উরি। মানা থিরিবা পুন্সিগী, নুপীগী, থম্মোয়গী, অচুম্বগী অচুম্বা মচু অদু তাইবঙদা ফংলরোই খঞ্জে মানা। অদুনা মানা তাইবঙ ৱাংমদা চৎপা তাই। মঙদা চৎলি, উখোংদা ফমদুনা মুক্তি তাল্লিবা লাইনিংবা মঙ্ক অদু উনরুই। মশক্তা মতৌদা ৱাৎত্রবা, তাইবঙগী ঈরাং থাদোক্লবা মঙ্ক অদুনা মমিৎ পাঙবা ঙাইজখি ৱানা। অদুবু মহাক উবদা মঙ্ক অদুনা হেন্না পাখৎখ্রে। লাইরেম্বীনি খনখ্রে। অদুবু নুপী অসিনা হায়, “থৱায়বু নমদুনা খুদুম চনশিনবা ঐ পামদে। ঐদি ঐ ওইনা অদুম লৈজগে। অদুগা নতুংদি ইঞ্জগে।” ঙক্লবা মঙ্ক অদুনা নুপীদুগী লেংবান্দা মখূৎনা নম্বদদি নুপীদুগী মঙাল অমা থোকখি। অদুনা মচু শঙবা ফিজোল অদুদি মঙ্ককী হকচাংদা পকলমদ্রে। মসিনি দেবলাগী মঙ, দেবলাগী নুপী, দেবলাগী ফিদম। নুপীদা পীরিবা মঙাল।

‘অমুক্তংদি উনীংখ্রেদা’ হায়বা ৱারীমচা অমসু য়াওরি। মসিদি মরাইবক থীরবী, ৱাইওং চাদবা নুপাদা য়ুম্বাল্লুবদগী এইদস শাগোন্নরবী কয়াগী আশা পীবনি। ফজরিবদি দেবলানা নুপী অনীগী লমচৎ শেল্লি। অমনা লায়না পক্লবী অদুবু হিংদি হিংনিংলিবী। অমনা অরোনবা নুংশিবা অমা লোন্না থমজরিবী চনুরা অমা। অমনসু ‘অমুক্তংদি উনীংখ্রেদা’ হায়রি। অমদুনসু ‘অমুক্তংদি উনীংখ্রেদা’ হায়রি। মখোয়নিনা উনীংলিবা অসিবু করি করিনো থিরুবদদি ৱারীমচাসি পাবা লোইখিবা খঙহৌদে। লায়না পকপীদুনা উনিংলিবনা মচেম শকপীদুগী লোন্না কনা খঙহন্দনা থমজরিবা মাঞ্জ অদুগী মশক। মচেম শকপীনা উনীংলিবনা লায়না পকপীদুনা মাঙখ্রগা নাবা ফরে, মশা-মউ ফরে হায়না চিঠিদা পল্লকপদু তশেংনা মাঙদা লেপ্পবা অমুক্তংদি উনীংখ্রেদা হায়বনি। দেবলাগী ফজবা খূৎইনি হায়নিংই।

দেবলানা খ্বাইদগী পাম্মুজবদি পৃথিবীনি। অদুমক্লা লাইরিকসিগী চেখুমদা য়েক্লি পৃথিবীগী শক্তম। মদুদা লোৎলি মমি শামি নুপী অমা। লাপ্পা মঙাল অমসু ফাওগৎলক্লি। থাবলসু থোক্লি। ঈচেলসু নাইরি। মসিদা য়েংবা হৈরবদি দেবলাগী ফিদম মশক খঙবদা লুনা থোক্লোই। মানা পামদে লাইরৈবাক্কী নুংঙাইবা। মানা পাল্লি মালেমদা শেন্বা লাইরৈবাক। অদুবু ফংদ্রি, মচি খুদিং হাৎন-শুনবা, য়েংথিনবা। অদুবু পেঞ্জদ্রদুনা দেবলানা ইরি, ‘নাউশুম’, মরৈবাক্কীদমক, পোক্লফমগীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা অমগী ৱারী। অমুকসু ইরি, ‘রোং নম্বর’, শক মান্নরুবদগী হাৎতোকপীখ্রবা নহা অমগী থৱায়গী খোঙচৎ ইবা। অমুকসু ইরি, ‘পন্থুং অমগী লম্বী’, মসিদনা লন্নাইগী নুংশিবদগী লৈবাক্কী নুংশিবনা হেন্দুনা নারক্কী পুন্সি লেনখ্রবা নহা অমনা নুপীদুনা এক্সকর্সন লাকপদা উনখিবগী অৱা-নুংঙাইগী ৱারী। ‘য়াচংলকপা অসিদসু’ কৌবা পল্লমদবা ঙমদবা ৱারীমচা অমসু য়াওরি। মসিদি নূগুম কল্লবা নুপীগী থম্মোয়না লৈ ওনবা ঙম্মী উৎপনি। দেবলাগী থম্মোয়দসু লৈগী মফম লৈ হায়বদু উৎপনি। হিংলিবা খুন্নাই অসি ৱারৌরবা, অপোকপা মপাবুংবু শেলগীদমক হাৎপীখ্রবা নহা অমনা মালেম থুংনা কোয়রুবগী ৱানি। অদুগী ফল ওইনা লায়না পুদুনা লাকপদা মাগীদমক লেপ্পলম্বী, পুকচেল অনী লোঙদ্রবী চনুরা অমনা ঙাইদুনা লৈরম্বগী ৱারীনি। নুপীনা হেন্না কৎথোকপা ঙমই হায়বদু অইবীনা উৎলিবনি। ঙাইরম্বী চনুরাদুনা মঙাও থীবা মাগী নুংশিবদুবু মপান্দা পুদুনা লায়েংনবা প্লেন টিকেট ককপা উৎলি। আশা পীরল্লগা লামায় খুমজিনখি।

লোইশিল্লকপদা দেবলাগী ফজবা অমতংগসু পন্নিংলি। ৱারীমচাদা চঙদবা য়াদবসি ৱারী-ৱাতাই (দাইলোগ) সু অমনি। দেবলা য়াম্না লীক্লা দাইলোগ শীজিন্নৈ। নোবেলগা ৱারীমচাগা খেন্নবা খঙনা ইরি। অদুবু ৱাহৈ খুদিং মথ্বায়দি পাল্লি। অমতং য়েংবা য়াই। মথক্কী ৱারীমচা, ‘য়াচংলকপা অসিদসু’ হায়বা অসিদা ঙাঙনরিবনি। নুপীদুনা নুপাদুদা হায়রি :

- শিনবগীদমক ঙক্তা থৌরি হুকচিঞ্জরগা মীগী মতেং অমুকসু পাল্লিব্রা?
- পাঙদবা মীদি অসুম্না তৌগল্লি।
- নঙসিবু করম্বা মীনো ?
- হংলিবনি, ঐসু ইতোমতা, ৱাহংদুমক।
- পাউখুম তানীংব্রা ?
- নঙ পীবা ঙমগদ্রা ?

দেবলা ইবা তোকহন্নিংদে। মথঙগী অমুক ঙাইরি।

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী |
| মখল | ঃ | ৱারীমচা |
| অইবী | ঃ | মুতুম দেবলা |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৮ |
| অফোঙবা | ঃ | ফিক্সন ক্লব, মণিপুর |
| মমল | ঃ | ২০০/- |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

# মরোল থোকত্রবা ঈচেলসিগা

**- ঐচ বেনুবালা**

**মসিগী** তুরেলসিবু বারাক তুরেললো?

- নত্তেদা, বারাক হৌজিকফাওবা উদ্রিবরনে?
- অদুবুদি ঐসু উরেদা।
- বারাক্তি অচৌবা তুরেলনি। মসিদি কাটাখাল তুরেলনি।
- কাটাখাল হায়রিসিবু করি লোন ওইরিদগে... ?
- অদু ফাওবা খঙদবা, বাঙ্গালী লোননি।
- কদায়দগী খঙগদগে? নখোয়দবু বাঙ্গালী তোৎনবগী খঙজবনি।
- অদুদা মৈতৈ লৈবাক্কী ওইরগা মৈতৈ খুন অমদা চেনবা তুরেল মচা অমগী মমিং খঙলমদবসিদি নুংঙাইতে হায়বনি।
- ওই! নুংঙাইরেদা... পুন্সিসিদা অমুক্তসু উদ্রিবা তুরেলসিবু হেক্তা খঙগদ্রনে?
- অদু হায়গনু তম্ফাতোন, লাপখ্রবা নাইল, মিশিসিপি কদায়দা করি লৈবাক্তা চেনবা তুরেলনো হায়বদি খঙলিনিদনা। নখোয়গী ইম্ফাল হায়বদু ঐ অমুক্তসু লাক্তরি। অদুবু তুরেল মমিংদি লোইনা খঙই।
- মরৈ হৈবা পাখঙ, ঐখোয়দি মরৈ য়েৎনবা ইতিক লৈজদে। মরোল থোক্তবা ঈচেলসিগা মরৈ তৌনবীহৌরো।

ফুক হৌগৎতুনা তম্ফাতোননা লৈতুম মচা অমা লৌদুনা বিমলগী মনঙ্গলদা পুপ লাউনা থারকই। কয়ামুক শাফু কনখিবনো খঙদে। বিমলনা মমায় ঙাংশং ঙাঙনা মনঙ্গল নান্দুনা লৈবদু উরগা তম্ফাতোননা থীক থীক নোক্লদুনা তিংখৎতুনা চেনখ্রে। নুমিৎ খরনিদি বিমল তম্ফাতোনগা কাটাখালগী তোর্ব্বান্দা থেংনখিদ্রে।

বিমল হাইলাকান্দিগী জারিবোনদগীনি। শনারৈ হায়র সেকেন্দরিদা টুয়েল্ব ক্লাস তল্লি। চহীগা চান্নদনা হোম হোম চাউ-শাংবা পাখং মচানি। মপোপ মতাঙ ফৈ। মশকসু রাশি অদুম মরৈ। হন্দক্তা জেনরেল সেক্রেটরি কারকপনি। ওজাশিংনা চাল্লি, মরুপ মপাঙশিংনা য়াই। স্কুলগী সেক্রেটরি অরি-অনৌ শিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কদৌরি। জগোয় ঈশৈগী প্রোগ্রামসু অরোইবদা খরা উৎকদৌরি। য়াওনিংবা ছাত্রশিং সেক্রেটরিদা মিং পীখৎনৈ। ক্লাস রোল নম্বর য়াওনা থাগৎনবনি। হয়েংদা ঙাইরে হায়বদুদনি। ক্লাস লোইরবা মতুংদা স্কুলগী হোলদা জগোয় উৎকদবা ছাত্রি কাঙবু অমা রিহর্সেল তৌরি। বিমলনা জগোয় উৎকদবা ছাত্রিশিংদা হায়, “মন্ত্রিগা লাক্কদৌরিবনি। নখোয়গী জগোয় ফজনা উৎকদবনি। জগোয় তম্বীবা ওজাগী মমিং য়াওনা লাউথোক্কদবনি। ওজাগী মমিং হায়রম্মু।

ছাত্রি ময়ামদু তুমিন লৈনৈ। রাধারানিনা লৎ-লৎ তৌনা হায়রকই, “তা” বিমল, ওজাগী মমিং লাউথোক্তবা য়ারোইদ্রা ?

- য়াদে। নখোয়গী উৎত্রবসু অতৈগী গ্রুপ য়াম্না থোক্কদৌরি। নখোয়গীদু তোক্লসি।

কপ্পিং কপ্পিং তৌনা রাধারানিনা হায় -

- খিতা উৎচগেবা ... ওজানা তাকথোকপীনু কন্না হায়রক্তুনা তৌবনি।
- ফরে, কদায়ৱাইদগী ওজানো? লক্ষিপুরদগীরা?
- নত্তে...।
- রামনগরদগীরা?
- নত্তে...।
- লামারগ্রামদগী হোজাইদা হোংখিবা নখোয়গী মামা, জগোয় হৈবা অমা লৈ হায়বদুরা?
- অদুসু নত্তে।
- ফরে, নখোয়গী মরৈ-মরা তৌবা ওজাদু থিরগা দন্দি পীবা তারে। রাধারানি ইপা-পাখৎলি। য়াম্না কিনা খুন্নকই -
- ইম্ফালদগীনেবা তা’ বিমল... ইচে তম্ফানে...।

ময়াম্মক ৱা লাউনা নোকই।

নোং ঙাল্লে। মন্ত্রিগী ভাষন, থৌরম মপুগী ৱারোল, অথোইবা মীথুংলেন লোইনা ৱা ঙাংখ্রে। শৈরেং থীবা, ঈশৈ শকপা লোইনমক লোইখ্রে। জগোয় গ্রুপ অহুমনি। গ্রুপ অনী উৎপা হৌখ্রে। ইরোই লোইবদা রাধারানি অমসুং মাগী কাঙবুগী মৈতৈ জগোয় অনী উৎপা হৌখ্রে। ইরোই লোইবদা রাধারানি অমসুং মাগী কাঙবুগী মৈতৈ জগোয় শারকই। ভোট ওফ থেঙ্কস পীদ্রিঙৈদা মনা-মথুম য়েন্থোকপা হৌরকই। মনা মথুমশিং ষ্টেজদা কৌথোক্তুনা য়েন্থোকই। অরোইবদা মৈতৈ জগোয় খূৎপুগী থোইদোক হেন্দোকপা পর্ফোমেন্সকীদমক রাধারানি ষ্টেজদা কৌখৎতুনা মনা পী। মথংদা মাইক্রোফোন্দা অশীন অরাঙগী মায়কৈদগী লাউথোরকই, “মৈতৈ জগোয় খূৎপুসিবু তাকপী-তম্বীদুনা লমজিংবীরিবী ইকায়খুম্নজরিবী তম্ফাতোনবু থোয়দোক-হেন্দোক্লা ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা মনা অসি লৌবীনবা কৌখৎচরি।” তম্ফাতোন লাক্লমদদুনা রাধারানিদা মনাদু শিন্নখি। রাধারানিদা প্রসিদেন্টনা মনাদু খূৎশিন্নবগা লোয়ননা মথং-মথং থৌরম লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ খরগী মতুংনি। তম্ফাতোন শনারৈ স্কুল তারমদাইগী কাটাখালগী ফোপ হাবা থোংদুগী মচীন্দা চপ লেপ্লি। কনাসু লোয়নদে, মথন্তনি। নুমিৎ য়ুংবগী তাঞ্জানি। মী অমতা থোং ময়াদা উদে। তোর্ব্বান্দা হৌবা উপালশিংগী মনা পূঙলবা উশাশিংনা নিংথম ঋতুগী ঈচেল পক্লা নোম নোম হাইথরি। মহৌশানা শংলৈনবা কাটাখালগী ঈচেলদুগা অশংবা উনাশিংগী মমিশিংগা অমতা ওইখিদুনা শংলৈবা ঈচেল ওইনা উখ্রে। মরা তপচবা কাটাখালগী ঈচেলদু নিংথম ঋতুগা ওইবনে ওন্থোক্লসু লিরী খোইরিনা উরে। থেক্লা খোয়না মোং-হাদনা চেল্লিবা ঈচেলনা তাম্না পন্থুং তান্না চেনখিববু তম্ফাতোন্না য়েংলি। মমৈদা করিবু খল্লবনো খঙদে, অসুম লেপ্পলম্বদগী নিংথম ঈচেলনা য়ৌদ্রবা লৈঙোই মথক্তুদা ফমথখ্রে। নুংশানা কোকথক্তা য়ৈরকপদা হকচাংগী মমিনা ঙৌরুনবা লৈঙোই মথক্তা তারিবদু মুন্না য়েংলি। খঙহৌদনা তম্ফাতোনগী মমিদুগী মনাক নকশিন্না অতোপ্পা মমি অমসু তারকই। ইখং খংনা তুংহন্না য়েংথোরকই। বিমল তুংদা লেপ্তুনা লৈরম্বদু উবদা তম্ফাতোন ফুক হৌগৎলি। চৎখিগে তৌই। বিমলনা তপ্পা হায়,

- চৎকে খল্লগদি অথিংবা পীজরোই। অদুবু ৱাহং অমগী পাউখুমদি লমন তোন্দুনা লৈখিবা তারে খন্দুনা কোয়থি থিরকপনি। কাটাখাল হায়বদি “ককপা খোং” হায়বনি। বাঙ্গালী লোননি। মসিমদি কাউবীরোইদনা।

*মথং মথং ...*